# ব্রেক্সিট দিল পার্লিয়ামেন্টনা রেটিফাইদ তৌরবদি প্রাইম মিনিষ্টর মেনা ফম থাদোকপগী মতম পীরবা য়াই



লন্দন, মার্চ ২৭(এজেন্সি): মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টতা অনীরক হন্না মায়থিবা নংখ্রবা ব্রেক্সিট দিল রেটিফাইদ তৌবা তারবদি বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা মহাক্কী ফম থাদোকপগী মতম অমা হাউসতা ফোঙদোক্লবা য়াই হায়রি।

বেক্সিটকা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্টনা ওপসন কয়াগী মরক্তুগী মহুৎ শীনবা য়াবা ওপসন অমা খননবা হোৎনরকপগা ইরোইননা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা বেক্সিট দিল পার্লিয়ামেন্টনা রেটিফাইদ তৌবগী মহয় ওইনা মহাক্কী ফম থাদোকপগী মতম লাউথোকপগী খোঙথাং অসি লাকপনি। চহী অহুম শুরক্লবা য়ুনাইটেদ কিদমগী ব্রেক্সিটকী ৱাথোক্কী ৱারোইশিনগী মতম নকশি-ল্লকপগা লোয়ননা হৌজিক বৃটেননা করম্না অমসুং করম্বা মতমদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্কদগে নৎত্রগা লৈবাক অসি য়ুনিয়ন অসি শোয়দনা থাদোক্কদ্রা হায়বা চপ চানা লেপত্রিবা ওইরবসু প্রাইম মিনিষ্টর মেনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা য়ানখিবা মহাক্কী দিল অদু চয়োল অসিগী অথেংবা শরুক্তা পালিয়ামেন্টতা অমুক হন্না পুথোক্তুনা রেটিফাইদ তৌহনবা য়ারগনি হায়না থাজবা থল্লি।

বৃটিশ পোলিটিক্সকী অরুবা তাঙ্কক অমা য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা লোমেকরশিংনা ব্রেক্সিটকী ইনিদকেটিভ ভোট ফংননবগীদমক্তা ওপসন কয়া খন্নরক্লি। মখোয়না খন্নরিবা ওপসনশিংদুগী মনুংদা বৃটেননা ঈ য়ু থাদোক্লবা মতুংদা য়ুনিয়ন অসিগা হেন্না নকশিন্নবা এলাইনমেন্ট অমা শেম্বা, দিল য়াওদনা ব্লোক অদুবু থাদোকপা নৎত্রগা দিভোর্সকী চে-চাং পুন্নমক রিভোক তৌবগী ৱাফম য়াওরি।

হান্না লেপ্নখিবগী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ কিংদম্না ঈ য়ু থাদোকপগী মতম মার্চ ২৯ য়ৌগদবা নুমিৎ নিনিখক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা খ্বাইদগী হেন্না ইথিল পীবা ঙম্বা ব্রেক্সিট শৌগৎপা জেকোব রিসমোগকুম্বা রেবেল খরা হৌজিক্তি য়াম্না কন্না য়ানিংবা নৎত্রবসু মেগী দিল শৌগৎপা য়াবগী ফিভম লাক্লে হায়রি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জি এম টি ১৭০০দা ৱেষ্টমিনষ্টরদা পাঙ-থোক্কদবা ১৯২২ কম্মিটিগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা কঞ্জাভেটিব লোমেকরশিংদা মহাক্না ফম থাদোকপগী মতম অমা পীরবা য়াই হায়না থাজনরি।

মদুগী মমাঙদা মালেমগী মঙাশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমিনা করম্বা মওংদা ঈ য়ু থাদোক্কদগে হায়বগী দিবেট অমা হৌগদবনি। মখোয়না জি এম টি ১৯০০ দা বেলোট পেপর অমদা মখোয়না খনবা প্রপোজেল কয়াগী মতাংদা ভোট লৌনগনি। মদুগী রিজল্টনা জি এম টি ২১০০কী মতুংদা লাউথোক্কনি হায়রি।

শগোলশেল নুমিৎ নৎত্রগা ইরাই নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টরগী মাঙদা দিল অমদি শোয়দনা লৈরগনি হায়না হান্নগী কঞ্জাবেটিভ কেবিনেট মিনিষ্টর ওলিবর লেটৱিননা ফোঙদোকখি।

মখা তানা লেটৱিননা ফোঙদোকখিবদা হায়রিবা নুমিৎ নিনি অসিদা মদু থোক্তবা তারবদি ঐখোয়না মখা তানা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু পার্লিয়ামেন্টতা ওপসনশিং খন্নগনি। মদুদসু ওপসন অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবশিং হাউস ওফ কম্মনকী অয়াম্বা লোমেকরশিংনা শৌগৎতবা তারবদি ঐখোয়না ওপসনশিং অদু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক্তা গভর্নমেন্টকা তান্নরগনা থবক তৌরগনি।

# থাইলেন্দগী ওপোজিসন পার্টিশিংগী এলাইএন্সনা পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি ওইরে হায়না ক্লেম তৌখ্রে



বেঙ্কোক, মার্চ ২৭(এজেন্সি): থাইলেন্দগী পার্টি তরেৎকী ওপোজিসন দেম্মক্রেটিক ফ্রন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসতা মেজোরিটি ওইরে হায়না ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা চহী মঙাগী মিনিলিটরি লৈঙাক মতুংদা মখোয়দা লৈঙাক শেম্নবগী হক লৈ হায়খ্রে।

অদুমওইনমক ওপোজিসন এলাইএন্স অদু হৌজিকসু প্রাইম মিনিষ্টর অমা মখোয়গী মরক্তুগী খনবা ঙম্বগী চাংদা মশিং য়ৌনা লৈত্রি।

রুলিং মিলিটরি জন্তানা ইখিবা পার্লিয়ামেন্টরি রুলশিংগী মতুং ইন্না পার্টি নৎত্রগা কোলিসন অমনা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খনবদা পার্লিয়ামেন্টকী অপুনবা অপর অমসুং লৱার হাউসশিংদা মেজোরিটি ফংবগী তঙাই ফদবা লৈ। নোংমাইজিং নুমিৎকী ভোট অদুগী ওফিসল ওইদবা রিজল্টশিং হৌজিকসু মপুং ফানা খঙবা ঙমদবগা লোয়ননা লৈঙাক পায়রিবা জন্তানা হান্নগী আর্মি চীফ অমসুং কু লুচিংবা প্রয়ুট চান ওচাবু লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মখা তানা লৈহন্নবগী থবক লেপত্রি।

মীখল মতুংগী লৈখায় তাদবা ফিভম অদুদা লৈবাক অদুদা পোলিটিকেল টেন্সন লাকপা য়াবগী ফিভম লৈরি। সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অদুনা লাক্লিবা মেদা অনৌবা নিংথৌদা হৌনবী মতুং ইন্না লুহুপ উপ্পবগী থৌরাং তৌরিবনি।

কুমজা ২০১৪ আর্মিগী কূনা মফমদগী চিংথুখিবা ফিয়ু থাই পার্টিগী মরু ওইবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবা কেন্দিদেট সুদারট কেয়ুরাফলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ওপোজিসন এলাইএন্সকী পার্টি তরেৎনা মেম্বর ৫০০ লৈবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা য়ামদ্রবা সিট ২৫৫ দি পায়গনি। মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবা দেম্মক্রেটিক ফ্রন্টনা হাউসতা মেজোরিটি পায়রে হায়বসি ঐখোয়না হৌজিক লাউথোক্লি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, লৱার হাউসকী খ্বাইদগী চাওবা এলাইএন্সতা লৈঙাক শেম্নবগী রাইট শিন্নফম থোকই। দেম্মকেটিক ফ্রন্টতা য়াওরিবা পার্টিশিংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না থাজবা থল্লে। মখোয়না হৌজিক অতে পার্টিশিংগসু অনৌবা লৈঙাক শেম্ন বগীদমক ৱারী শানবগী থবক চথরি।

অমরোমদা প্রো মিলিটরি পলাং প্রচারট পার্টিনসু মথংগী লৈঙাক শেম্বগী হক লৈ হায়না ক্লেম তৌখ্রে। প্রো আর্মি পার্টি অদুগী ওফিসল অমনা হৌজিকসু মখোয়না পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি পায়রকপা য়াবগী চান্স লৈ মরমদি ভোট মশিং থিবা লোইদ্রি হায়খ্রে।

মীয়ামগী ভোট ঐখোয়না খ্বাইদগী মশিং হেন্না ফংখি। ভোটর মিলিয়ন ৮না প্রয়ুটপু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবা পাম্মী হায়না পলাং প্রচারটকী দেপ্যুটি স্পোক্সমেন থানাকোন ৱাংবুনকোনচানা পাউমীশিংনা ফোঙদোকখি।

দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট অদুগী মতাংদা দেপ্যুটি জন্তা লিদর প্রৱিট ৱোংসুৱাননা হায়খি, পার্টিশিংনা হাথু-হাথু থবক তৌরোইদবনি। মরমদি ইলেক্সন কম্মিসন্না ওফিসল রিজল্টশিং ফোঙগদবা চয়োল তরুক্কী মতম ৱাৎলি হায়না লৌবা য়াই।

ওবর্জাবরশিংগী মতুং ইন্না থাইলেন্দগী মীখলগী রিজল্ট খরা লাউথোকপা হৌরক্লিবদুনা করিগুম্বা লৈঙাক শেম্নবসু পার্লিয়ামেন্টতা লৈখায় তাদবা ফিভম অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী।

# প্রসিদেন্ট বৌটেফ্লিকাগী মরাইবক্কী মতাংদা অলজিরিয়ানা কন্সটিট্যুসনল সিগনেল ঙাইরি



অলজির্স, মার্চ ২৭(এজেন্সি): মশা নাদুদা লৈরিবা প্রসিদেন্ট বৌটেফ্লিকা মখা তানা ওফিস পায়বা ঙমখিগনি নৎত্রগা ঙল্লরোই হায়বগী মতাংদা অলজিরিয়নশিংনা কন্সটিট্যুসনল কাওন্সিলনা লৌরকপা ৱারেপ ঙাইরি। লৈবাক অদুগী মীয়াম্না প্রোটেষ্টশিং লোইশিনহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা আর্মিগী মকোক থোংবা ওফিসর অমনা মহাকপু মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা ওফিসরশিংদা পীবা স্পীচ অমদা লেপটনেন্ট জেনরেল অহমদ গয়িদ শালাহনা হায়খি, কুমজা ১৯২২ দা আর্মিনা মীখল কেন্সেল তৌখিবা মতুংদা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী চাওবা পোলিটিকেল ৱাথোক অদুগী সোল্যুসনদি প্রসিদেন্টনা মশা নাবগী মরমদগী ফম থাদোকপনা ওইগনি।

মতিক ময়াই লৈরবা আর্মিগী চীফ ওফ ষ্টাফনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি কুমজা ২০১৩ দা ষ্ট্রোক তৌখিবদগী মীয়াম্না উনরকখিদ্রবা প্রসিদেন্ট অদু মীয়ামগী প্রোটেষ্টনা মরম ওইদুনা মখা তানা ফম পায়দুনা লৈবা য়াররোই হায়বগী ময়েক শেংলবা ইঙ্গিৎ অমনি হায়না লৌনরি। রুলিং এলিটপু চিংথুবগী পান্দমদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না প্রোটেষ্ট চখরকখিবনি। লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল ৱাথোক অদুনা বৌটেফ্লিকাগী চহী ২০গী লৈঙাক মনুংদা লাকখিবা শেঙ্গা-থুমজা, অচান-মীরায় নাইবা অমদি শেল-থুমগী মিসমেনেজমেন্টগী ৱাফমশিংদা লৈবাক অদুগী মীয়াম নোংম-নোংমগী পেন্নরক্তে হায়বসি উৎলি।

প্রসিদেন্ট ফম থাদোকপগা মরী লৈননা চথরকখিবা নিগোসিয়েসন মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা মসিনা চৎনবা য়াবা সোল্যুসন অমা ওইরগনি। খোঙথাং অসি দেম্মক্রেটিক ট্রান্সজিসনদগী লাপ্পগী মওং উরবসু মসিনা লৈবাক অদুগী মথংগী লৈঙাক অমা লাকহনবদা মতেং ওইরগনি হায়না থিঙ্ক টেঙ্ক অমগী মকোক ওইরিবা স্বিটজর্লেন্দদা লৈবা অলজিরিয়ন হসনি অবিদিনা ফোঙদোকখি।

থৌরাং অদুনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুনা মায়োক্লরিবা পোলিটিকেলগী তং তাদবা ফিভম কোকহল্লবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরবসু প্রোটেষ্টরশিংনা কুমজা ১৯৬২দা লৈবাক অদুনা ফ্রান্সতগী নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা লৈঙাক পায়রকখিবা মতিক ময়াই লৈরবা ইষ্টাব্লিসমেন্টবু পুংহোং হোংদোকহনবা পাম্লি।

অমরোমদা, হান্নগী এলিট কাঙবুশিংনা আর্মিনা য়াবা কেন্দিদেট অমা প্রসিদেন্টকী ফমগীদমক পুথোকপা য়ারগনি হায়বগী থাজবসু থল্লি। চহী কয়ামুক লৈবাক অদুদা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরকপা য়াবা মীওইশিংগী মতাংদা তোকঙা কয়া শন্দোক্তুনা লাক্লবসু হৌজিক ফাওবদা মিলিটরি, পোলিটিকেল অমসুং সিক্যুরিটি ইষ্টাব্লিসমেন্টনা শৌগৎপা কেনিদদেন্ট অমত্তা থোক্লকপা উদ্রি।

হৌজিক মথংগী খোঙথাং ওইনা উগদৌরিবসি বৌটেফ্লিকানা মখা তানা ওফিস পায়বা য়াগনি নৎত্রগা য়াররোই হায়বগী মতাংদা কন্সটিট্যুসনল কাওন্সিলনা ৱারেপ অমা লৌরকপদুনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি বোদি অদুনা করম্বা মতমদা ৱারেপ লৌগদগে হায়বদু চপ চনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মহাক্না মখা তানা ওফিস পায়বদা হকচাংগী ফিভম মতিক চাদ্রে হায়বগী ৱারেপ অমা কাওন্সিলনা লৌরকপা তারবসু মদু পার্লিয়ামেন্টকী অপর অমসুং লৱার হাউসকী মেম্বরশিংনা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটিদা রেটিফাইদ তৌগদবনি হায়রি।

# অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী ৱাফমগী মতাংদা পাকিষ্টান্না শেংদোকখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৭(এজেন্সি): টালিবানগা চথরিবা পিছ টোক্সকী খোঙজেল য়াংশিনহনবদা মতেং ওইনবা অফঘানিষ্টানদা ইন্টরিম লৈঙাক অমা লৈহনগদবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ য়াওবা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী ৱাফমগী মতাংদা পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা শেংদোক ৱারোল অমা থোকখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা পাকিষ্টানি জর্নেলিষ্টশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা অফঘানিষ্টানগী রুলিং ইষ্টাব্লিসমেন্টতা খোইশাওনবা পোকহনখিবগা লোয়ননা ইস্লামাবাদতা লৈবা অফঘানিষ্টানগী এম্বেসেদর অফঘান লৈঙাক্না কৌখৎখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী ৱাফম অদু মশানা থৌদাং য়াজদবদগী থৌওংনি হায়খি।

চহী ১৭ শুরক্লবা অফঘানিষ্টানগী লান লোইশিনবগী পান্দমদা চথরকখিবা পিছ টোক্সকা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কাবুলনা ইস্লামাবাদকী মায়কৈদগী এক্সপ্লেনেসন দিমান্দ তৌখিবা অসি থা অমা খরা হেনবগী মনুংদা হন্দক্কীসিনা অহুম্লক শুবনি। পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা প্রাইম মিনিষ্টর খানগী ৱারোল অদুগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, পাকিষ্টানগী মিদিয়া আউটলেটশিং তোঙান তোঙানবা মওংদা ফোঙনখিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোল অদু কন্টেক্সকা চান্নদে অমসুং লান্না পাউদম্বগী মওং উই। প্রাইম মিনিষ্টরগী কমেন্টশিং অদুদা ইন্টরিয়ম লৈঙাক অমগী মখাদা মীখল পাঙথোকপা পাকিষ্টানগী মোদেল পনখিবনি। কমেন্টশিং অদু লান্না পাউদমদুনা অফখানিষ্টান মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংগা মরী লৈনহল্লোইদবনি হায়না পাকিষ্টানগী ফোরনগী মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টানদা অফঘানশিংগী ওইবা অমসুং অফঘানশিংনা মাঙজিল থানা পায়খৎপা পোলিটিকেল প্রোসেস অমগী খুত্থাংদা লৈবাক অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবা নত্তবা অতোপ্পা অপাম্বা অমত্তা পাকিষ্টানগী ওইনা অফঘাননিষ্টানদা লৈতে।

পাকিষ্টানদা চৎনরিবা সিষ্টেমগী মখাদা লৈবাক্কী মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মীচঙ মীখায় নাইদবা ক্যেরটেকর লৈঙাক অমনা মীখলগী কেম্প্যেন মনুংদা বিজিনেস চল্লাইবগী থবক পায়। লাক্লিবা মে থাদা ওফিস পায়বগী মতম লোইরগদবা অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অসরফ ঘানি চহী অসিদা রি ইলেক্সনগী লান অমা মায়োক্লরিবনি। তৌইগুম্বসুং পোলিটিকেলগী তং তাদবা ফিভম লৈবদগী মীখলগী মতম অনীরক য়েথোকখি। হৌজিক লৈবাক অদুগী মীখল লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২৮ দা পাঙথোক্লবা লেপখ্রে।

য়ু এস অমসুং টলিবানগী ওফিসলশিংনা পিছ টোক্স রাওন্দ কয়া শানখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবদা টালিবাননা অফঘান লৈঙাক্কা ৱারী শানবগী ৱাফম য়াদদুনা লৈরি। মখোয়না হৌজিক লৈরিবা অফঘান লৈঙাকপু লোনা য়াদবা হংলাইগী রেজিম অমনি হায়না লৌরি।

হৌজিক চথরিবা ৱারী শানবা অদুদা য়াওহন্দবদগী অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট ঘানি হৌজিক পোলিটিকেল রাইবেলশিংনা ফম থাদোক্লবা অমসুং ক্যেরটেকর লৈঙাক অমা লৈহন্নবা অকনবা প্রেসর পীরি। অমরোমদা ঘানিনা ৱাফম অসিদা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

# মোজাবিক্তা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎচিল্লকখ্রবা মতুংদা কোলেরা লায়না শন্দোরক্লে হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে



বৈরা, মার্চ ২৭(এজেন্সি): মতিক ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা অফ্রিকাগী পাক চাওরবা খা থংবা লমদমদা মীওই ৭০০কী মথক্তা শিহনখ্রবা মতুংদা অমাঙ-অতা খ্বাইদগী চাওনা নংলিবা হিথাংফম সিটি বৈরাগী অকোয়বদা কোলেরা লায়না নাবগী কেস মঙা থেংনরে হায়না মোজাম্বিকনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা মার্চ ১৪ গী অহিং নোংয়াইগী মতমদা মতিক ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ ইদাইনা অকানবা শাফুগা লোয়ননা মোজাম্বিক্তা শিৎচিল্লকখিবদা মীওই লিশিং কয়াগী য়ুম-কৈশিং মাঙহন তাকহনখি।

লৈবাক অদুদা স্কৱার কিলোমিটর ৩০০০ রোম পাক চাওবা লমগী শরুকশিং মাঙহন তাকহল্লবা মতুংদা নোংলৈ নুংশিৎ অদু য়ুমথংনবা জিম্বাবৱে অমসুং মালাৱি তম্না শিৎচিনখিবনি। রিলিফকী থবকশিং মরু ওইনা মেলেরিয়া অমসুং কোলেরাগুম্বা লায়নাশিং শন্দোরকপা থিংবা নৎত্রগা লাকশিনবদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা পায়খৎখি।

লেবোরেটরিদা চাংয়েং কয়া তৌরবা মতুংদা মীওই মঙা অসি কোলেরা লায়নানা নারে হায়বসি কনফার্ম তৌরে। লায়না অসি লৌনগনবা ওইবনা য়াম্না থুনা শন্দারকপা য়াই হায়না মোজাম্বিক্কী সিনিয়র হেল্থ ওফিসল উসেল ইসেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

হেল্থ ৱার্করশিংনা থেংনরিবা একুট দাইরিয়াগী কেস ২৭০০সু কোলেরাগী লায়ওং য়াওরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা ইসেনা হায়, লৈঙাক্না বৈরা হোস্পিটালদা কোলেরাগা মরী লৈননা ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমা হাংলে।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা মোজাম্বিক্তা ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংদুনা লায়না অদুনা শোকহল্লবা মফমশিংদা গ্লোবেল ষ্টোকপাইল অমদগী ওরেল কোলেরা ভেক্সিনগী দোজ ৯,০০,০০০ থাননবা থৌরাং তৌরি। মদু চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক্তা শোয়দনা থারগনি হায়বগী থৌরাং লৈরে।

মোজাম্বিক্তা সাইক্লোন ইদাই শিৎচিল্লকখিবনা মরম ওইদুনা শিখিবা মীগী মশিং হৌজিক ফাওবদা ৪৬৮ য়ৌরে হায়না লৈবাক অদুগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# মাদ্রিদতা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদা নমফুন্দা চঙশিনখিবা মীওইশিং থারক্লবা য়ু এসতা হায়জগদৌরি



মাদ্রিদ, মার্চ ২৭(এজেন্সি): মাদ্রিদতা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদা নম্ফুন্দা চঙশিন্দুনা মফম অদুগী ওফিসল অমবু নোর্থ কোরিয়া থাদোক্লবা তকশিনখিবনি হায়না চিংনবা গ্রুপ অমগী মেম্বরশিং এক্সট্রাদিসন তৌরক্লবা স্পেনিস জজ অমনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হায়জনবা থৌরাং তৌরি হায়না জুদিসল সোর্স অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

থৌওং অদু মশানা হ্যমেন রাইটসকী কেম্প্যেন্নরশিংনি হায়জখিবা ইন্ট্রুদর ১০ গী গ্রুপ অমনা পাঙথোকখিবনি হায়না স্পেনিস জজ অদুনা থাজে হায়বসি স্পেনিস হায় কোর্টকী দোক্যুমেন্ট অমনা উৎখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা গ্রুপ অদুগী লুচিংবা অদুনা য়ু এসকী ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ বি আই) কন্টেক্ট তৌদুনা রেইদ অদুগী মরমদা পাউ পীখি হায়না দোক্যুমেন্ট অদুনা ফোঙদোক্লি।

জুদিসল সোর্স অমনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখিবদা, রেইদ অদুগী মতুংদা মশক খঙলবা সস্পেক্টশিং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎখি হায়না জজ অসিনা থাজবগা লোয়ননা মখোয়বু ৱায়েল মায়োক্লহন্নবা স্পেনদা থারক্লবা মহাক্লা হায়জরগনি। করিগুম্বা ৱায়েলগী মতুং ইন্না কনভিক্ট তৌবা তারবদি মীওইশিং অদু স্পেনিস লোগী মতুং ইন্না চহী ২৮ ফাওবা জেলদা লৈবা য়াই।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন রোবার্ট পাল্লাদিনোনা চৈরকসিদা রোইদ অদুদা য়ু এস লৈঙাক চেন্নদে হায়না ফোঙদোকখ্রে। স্পেনিস হায় কোর্টকী দোক্যুমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না রেইদ অদুদা য়ু এসতা লৈবা মেক্সিকান সিটিজন অমা, য়ু এসকী সিটিজন অমা অমসুং সাউথ কোরিয়াগী সিটিজনশিং চেন্নে।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনবু মফমদগী চিংথুবগী পান্দম লৈরিবা গ্রুপ অদুনা স্পেনদা লৈবা এম্বেসিদা চথখিবা রেইদ অদু মখোয়ননি হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি। ন্যুজ ব্রিফিং অমদা পাল্লাদিনোনা হায়খি মদুদি, মাদ্রিদতা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদা চথখিবা রেইদ অদুগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগীসু এম্বেসি খুদিংমক নীংথিনা ঙাক শেননবা খঙহনখিবা লৈখি।

স্পেনগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২২ দা এম্বেসিদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবা হৌখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়াগী সিটিজন অমা অশোক-অপন নংখি অদুবু কনামত্তনা কমপ্লেন্ট তৌরকখিবা লৈতে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।